ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO

Refreshingly Reliable

The messenger of the masses






Vol. 42, Issue No.272 | লৈবাকপোকপা, পোইনু ১৮ নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Tuesday, December 25, 2018, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


## HL POLL

Q : Myanmar da leiriba awang nongpokki lal-houbasing takthoknaba thourang mai pakkani haina khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes [ ] No [ ]

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Ministry of Home Affairs na lannai meeoigi computer da mityeng changlakpasi chummi haina loubra?

Yes 19% No 81%


গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা


## অস! লোইরেহে!

ওজাসু ইথন্তা ঙায়রে, মহৈরোয়সু অমত্তা লৈতে, সোমগী ইচাদু থাবীরক্লো ফজনা তাকথরক্লগে সার!



ঐদি স্কুল তেকপগী ঠীকা তৌগে লাকপনি, ৱাখলদু ওন্নরে...!

# লৈঙাক্লা লন্নাই মীওইগী কম্প্যুটরদা মীৎয়েং চঙলকপগী মায়োক্তা পি আই এল থাঙ্গৎখ্রে

ন্যু দিল্লি,দিসেম্বর ২৪ (এজেন্সী): লন্নাই মীওইগী কম্প্যুটরদা থম্বা অমসুং থাদোক-থাজিন তৌবা দেটা পুন্নমক সেন্ট্রেল এজেন্সী ১০দা য়েংশিনহন্নবগী মতাংদা লৈঙাক্লা লৌখৎলকপা থৌরাংগী মায়োক্তা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমা সুপ্রিম কোর্টতা ফাইল তৌরকখ্রে।

দিসেম্বর ২০দা হীরম অসিগা মরী লৈননা থোকখিবা নোটিফি-কেসন অদু চৎনহল্লোইদবনি হায়না এদভোকেট মনোহর লাল শর্ম্মানা পি আই এল থাঙ্গৎলকখিবনি। মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়্যর্সকী নোটিফিকেসন মতুংইন্না সেন্ট্রেল এজেন্সী ১০দা লন্নাই মীওইশিংগী কম্প্যুটর অমসুং মোবাইল ফোনদা থাদোক-থাজিন তৌবা ঈ-পাউ পুন্নমক য়েংশিন্নবগী অয়াবা পীখিবনি। ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি এক্টকী মখাদা অহেনবা মতিক ময়াই পীখ্রবা সেন্ট্রেল এজেন্সীশিং অদুদি ইন্টেলিজেন্স ব্যুরো, নার্কোটিক্স কন্ট্রোল ব্যুরো, ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেট, সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ দাইরেক্ট টেক্সেস, দিরেক্টোরেট ওফ রেভিন্যু ইন্টেলিজেন্স, সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন, নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী, রিছার্স এন্দ এনালাইসিস ৱিং, দিরেক্টোরেট ওফ সিগ্নেল ইন্টলিজেন্স অমসুং দিল্লি পুলিসকী কম্মিস্নরনি। লৈঙাক্লা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসি লোনা য়াদবা অমসুং কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা লৈবা থৌওংনি হায়না পল্লদুনা পি আই এল অদুনা হায়খি, নোটিফিকেসন অদুদা য়ূম্ফম ওইরগা আই টি এক্টকী মখাদা কনাগুম্বা মীওই অমত্তগী মথক্তা ইনভেষ্টিগেসন চত্থবা য়াহল্লোইদবনি।

লোক সভা মীখল নকশিল্লকপগা মরী লৈননা লৈঙাক্কী মায়োক্তা লৈবা মীওইশিং নমথনবগী পান্দমদা লৌখৎলকপা থৌরাং অদু থবক্তা ওন্থোকহনবীগনু হায়নসু পি আই এল অদুনা এপেক্স কোর্টকী মীৎয়েং চিংশিনখি।

পনবা য়াবদি, লৈঙাক্লা সেন্ট্রেল এজেন্সী ১০ দা মীচম মীয়ামগী পর্সনেল কম্প্যুটর অমসুং মোবাইল ফোনদা থাদোক-থাজিন তৌবা ঈ-পাউশিং ইন্টরসেপ্ট তৌবা য়াহনবগী থৌওং অদুগা মরী লৈননা ওপোজিসন পার্টিশিংনা অকনবা ৱাফম কয়া থম্লকপা লৈখ্রবনি। লৈঙাক্নদি কুমজা ২০০৯ দা কোংগ্রেসনা লুচিংবা য়ু পি এনা লৈঙাক পায়রিঙৈ মতমদা শেম্লম্বা লো অমগী মখাদা থৌরাং অসি লৌখৎপনি হায়না ফোঙদোকখি। হীরম অসিগা মরী লৈননা পার্লিয়ামেন্ট মীফমদা চরাংনবা থোকপা লৈখ্রবনি।

# এন দি এনা সুপ্রিম কোর্টতা ফাওবা নমথাক তৌবসিনা মীয়ামদদি করি তৌগনি : ইবোবী




ইম্ফাল,দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): রফেল কেসকী মতাংদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা সুপ্রিম কোর্টতা মিসলিদ তৌবা য়ানিংদে হায়না ঙসি কোংগ্রেসকী লুচিংবা কয়া য়াওনা ইম্ফালদা ৱাকৎ খোঙচৎ চৎখ্রে।

মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা ঙসি চৎখিবা ৱাকৎ খোঙচৎ অদু কোংগ্রেস ভবনদা কোংগ্রেস পার্টিগী থৌমী কয়া পুল্লবা মতুংদা খোঙশানবা হৌরকখি। খোঙচৎ অদুদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবী, এ আই সী সীগী সী দব্লিয়ু সী মেম্বর ওইরিবা হান্নগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙম, এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট টি এন হাওকিপ অমদি কোংগ্রেসকী এম এল এ কয়াসু শরুক য়াখি।

কোংগ্রেস ভবনদগী হৌখিবা খোঙচৎ অদুনা কংলা পার্ক পরিংদা অৱাং পাংনা হাইগৎলক্লগা খোয়াথোং তারগা নাগামপাল লম্বীদা লাক্লবা মতুং থাঙ্গাল বজারদা ফাওজিল্লক্লগা বি টি রোদ তারক্তুনা কোংগ্রেস ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

## ‘কাউন্সিলদা রেজিষ্টর তৌদ্রবদি দিরেক্টর ওইবা য়াদবগী কাঙলোন লৈ’

ইম্ফাল,দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টেট ভেটিরিনরি কাউন্সিলদা রেজিষ্টর তৌদবা মীওইনা ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর ওইবা য়াদবগী চৎন-কাঙলোন লৈ হায়না দিপার্টমেন্ট অসিগী জোইন্ট দিরেক্টর (প্লান্নিং) সী ঐচ নন্দকিশ্বরনা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোরক্লি।

সঞ্জেন্থোংদা লৈবা ভেটিরিনরি এন্দ ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

## গভর্ণর, সী এম য়াওনা খৃষ্টমাসকী য়াইফ পাউজেল পীনরক্লি

ইম্ফাল,দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): খৃষ্টিয়ন লাইনিং চৎপশিংগী য়াম্না মরুওইবা থৌরম অমা ওইরিবা খৃষ্টমাসকা মরী লৈননা মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলা, চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন, মিনিষ্টরশিং য়াওনা মায়কৈ কয়াদগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

গভর্ণরনা থাদোরকপা য়াইফ পাউজেল পীবগী চেরোল অদুনা হায়, লোর্দ যীজসনা নুংশিনবা, ঙাকপীবা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

## থরোইজম থৌদোক্কী মতাংদা কোর্টতা চার্জশীট লানখৎলক্লে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ১৩গী অয়ূক অঙনবদা থরোইজম অৱাং লৈকায়দা থোকখিবা থৌদোক অমদা এম দি ফরুক খান শিখিবগী মতাংদা পুলিসনা চার্জশীট লানখৎলক্লে।

পাৎসোই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা থরোইজম অৱাং লৈকায়দা লৈবা মোইরাংথেম গিরানি (৪৫), অপোকপা লৈখিদ্রবা এম গোপালগী ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

## আর পি এফনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল,দিসেম্বর ২৪ : খৃষ্টমাস কুম্মৈনা লাকপদা লমদমসিগী ইচিল-ইনাও পুন্নমক্কী মফমদা রেভল্যুসনরি পিপলস ফ্রন্ট (আর পি এফ)না য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

আর পি এফকী এসিষ্টেন্ট সেক্রে-টরি, পব্লিসিটি বঙ্কিমনা থাদোরকপা চেরোল ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

## পাউচে পুথোক্লোই

ঙসি ডিসেম্বর ২৫, খৃষ্টমাসকী প্রেস ছুটি ওইবনা মরম ওইরগা মথং নুমিৎ ডিসেম্বর ২৬ তা পাউচে অসি পুথোকচরোই। - *মেনেজর*


HL-P/2818/23/12/18-22/01/19

অদোমবু মফম অমদগী মফম অমদা নুঙাইনা, লাইনা অমদি অতেনবা মতমদা য়ৌহনবা ঙম্বা

Manipur Cab Services

হৌজিক মনিপুরগী মীয়ামদা খুদোংচাবা পিবা হৌজরে...



খুদোংচাবা অসি লৌবীনবা Telephone গী খুৎথাংদা মখাদা পীজরিবা number অসিদা call তৌবিয়ু নত্ত্রগা অদোমগী Smartphone দা ঐখোয়গী Android app "Manipur Cab" playstore দগী download তৌবিরগা অদোমগী অপাম্বা গাড়ী তোংদুনা চৎপিয়ু

Toll Free Number 1800-345-3838

GET IT ON Google Play

₹ 15 per Km. Normal

₹ 25 per Km. Standard

Picnic, লুহোংবগী অমদি অতৈ থৌরমশিংগী ওইনা অখম্নবা শেমজবা package লৈজরি

অদোমবু তেক্তা কায়দনা অমদি মতম চানা য়ৌহনবনা ঐখোয়গী পান্দমনি

MANIPUR CAB

Manipur Cab Services

2nd Floor, MDU Building, M.G. Avenue, Imphal

Powered by: Imphal Finance Co-operative Thrift & Credit Society Ltd.



